ইরান্দা কস্তদিদা নুপী অমা শিখিবগী মরিদা চথবা এন্তি–হিজব প্রোটেষ্টরশিংবু তকখায়বদা ৩১ শিরে

পেরিস, সেপ্তেম্বর ২২ঃ

ইরানগী মোরেলিটি পুলিসনা মহতসব অমিনি কৌবা নুপী অমা ফাখ্রবা মতুংদা কস্তদিদা শিখি। মহাক্কী মীশি অদুগী মতাংদা প্রোটেস্ট কয়া চথরকপদগী ইরানিয়ান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তখায়নবা হোৎনরকপদা য়ামদ্রবদা মীচম ৩১ শিখ্রে হায়না ওস্লোদা য়ুম্ফম ওইবা এন জি ও অমনা ঙসি ফোংদোরকখ্রে।

ইরানগী মীওইশিংনা লম্বীশিংদা থোরক্তুনা মখোয়গী মরু ওইবা হকশিং অমদি মীওইবগী মনিং মখা তম্বা ফংনবা প্রোটেস্ট চথরকখিবনি। অদুবু শান্তি ওইনা চথরকখিবা মখোয়গী প্রোটেস্ট অদুবু নোংমৈ মরুনা ইরান হ্যুমেন রাইটস (আই ঐচ আর দি) দাইরেক্তর মুহম্মদ অমেরি মোগাহদামনা ফোংদোকখি। মদু নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা প্রোটেস্টচথঁখ্রবা মতুংদা ফোংদোকপা মী শিবগী মশিংনি।

আই ঐচ আর না পনখিবদা মখোয়না সিটি ৩০ অমসুং অতৈ আর্বান সেন্টরসিংদা প্রোটেষ্টশিং চঁখে হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে। মদুদা নক্তনা প্রোটেষ্টর অমসুং সিভিল সোসাইটি এক্তিভিস্ট কয়া পাক শন্না ফাজিনখ্রে হায়বা খংলে হায়রি। ইরান্দা অহানবা ওইনা প্রোটেষ্ট চথবা হৌরকখিবা অসি হৌখিবা চয়োলগী লৈবাক অদুগী অৰাং থংবা প্রোভিন্সতা লৈবা কর্দিস্তান দগী অমিনি কৌবী নুপী অদু শিখিবগী মতাংদা প্রোটেষ্ট চথরকখিবনি. ত্রোতেষ্টশিং অদু লৈবাক্কী মফম কয়াদা শন্দোরকখি। শিখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংদা অৰাং থংবা মজান্দারান প্রোভিন্সতা লৈবা অমোলতাউন্দা শিখিবা ১১ শু য়ারি। হায়রিা মফম অদু কেস্পিয়ান সি গী মনাক্তা লৈবনি। হায়রিবা প্রোভিন্স অদুমক্তা লৈরিবা হায়বা বাবোলদা মীওই ৬ শু শিখি। অভঅলাং নোংপোক থংবা চাব্রিজ সিটিদসু প্রোষ্টেতা আর ঐচ আইনা ফোংদোরক্রিশ। ইন্সটরে নেস্লে কম্মিুনিটদা য়াননিংদা অমদি মীৎ য়েং চংবা খক্তনা মপুং ফাদ্রি হায়না আমেরি মোগাহদামনা ফোংদোকখি। মমাংদা করদিস রাইসলুক হেনগৌনা ফোংদোকখিবদা করদিস প্রোভিন্স অমসুং ইরানগী অৰাং থংবা করদিস কাংবুনা খুন্দাবা এরিয়াশিংদা মীওই ১৫ শিখি। মখোয় অদুগী মনুংদা ৮ দি য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংদা শিখিবনি। হায়রি।

বি জে পি ৱার্করশিং তানখায়নবা পঞ্জাব পুলিসনা ৱাটর কেনন শিজিন্নখি

চান্দিগর, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

পঞ্জাবকী চিফ মিনিষ্টর ভগৱান মানগী রেসিদেন্সতা চংশিল্লকখিবা বি জে পি ৱার্করশিংনা ষ্টেট অদুদা পাল্লিবা এ এ পিগভর্নমেন্টপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা বেরিকেদশিং লানশিন্নবা হোৎনরকপা মতমদা মখোয়বু থিংনবা পঞ্জাব পুলিসনা ৱাটর কেনন কাপশিনখ্রে হায়রি।

পঞ্জাব বি জে পিনা চিফ মিনিষ্টরগী ওফিসেল রেসিদেন্সতা ঘেরাও তৌনবা ৱাফম লাওথোকখিবসি থা ৬ শুরবা আম আদমি পার্টি গভর্নমেন্টনা মায়কৈ খুদিংমক্তা মায়থিরে হায়বগী মরাল শিদুনা পঞ্জাব বি জে পি লুচিংবা অশ্বিনি শর্ম্মা অমদি অতৈ সেনিয়ার পার্টি লুচিংবশিং–জিবন গুপ্তা অমসুং সুভাস শর্ম্ম য়াওনা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখি।

পুলিসনা বেরিকেদশিং থমদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা চিফ মিনিষ্টরগী রেসিদেন্সতা চংশিল্লকপা থিংনবা থৌরাংখি। বি জে পি ৱার্ক রশিংনা নমদুনা হোৎনবদা পুলিসনা ৱাটর কেনন অমা কাপখি। মতুংদা বি জে পি লুচিংবশিংবু পুলিসনা ফাজিনখি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা অশ্বিনি শর্ম্মনা হায়খিবদা বি জে পিনা এ এ পি গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অদুদা মায়কৈ খুদিংমক্তা মায়থিরে হায়বসি ফোংদোকপনি হায়রি। গভর্নমেন্টনা মখোয়না ৱাশকখিবা নুপীশিংদা থাদা লুপা লিশিং ১ পীগনি হায়খিবা অদু থবক ওইনা পাংথোকপা ঙমদ্রে। মীয়ামগী ইশুশিং অমত্তা লোয়শিনবা ঙমদ্রে হায়রি। মহাক্লা মরাল শিখিবদা মানগী গভর্নমেন্টনা আর্বিন্দা কেজ্রিৱালবু পেলহন্নবা হোৎনবনি। দ্রগ, করপসন অমদি লৈখা তারক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফিবমগুম্বা বর্নিং ইশুশিং লোয়শিনবগী ৱাফম লৈতে হায়রি। দেমোক্রেটিক ওইবা হক্কীদমক প্রোটেষ্ট অমা পাংথোকপনি। ৱাটর কেনন কাপশিন্দুনা বি জে পি বু মীয়ামগী ইশুশিং পুখৎপদগী থিংবা ঙম্লোই হায়না ফোংদোকখি। মমাংদা অশ্বিনি শর্ম্মনা মরাল শিখিবদা আম আদমি পার্টিগী গভর্নমেন্টনা মীয়াম্না থাজরম্বা অদুগী ওন্ন তৈন্নবা থবক তৌদুনা মখোয়না হায়খিবা ৱা অমত্তা ঙাকপা ঙমদ্রে। হৌজিক্তি মীয়াম্না মখোয়গী ইশুশিং কোকহন্নবা এ এ পি দা ভোট পীরুবগী নীঙমদবা ফোংদোক্লরে। গভর্নমেন্টকী মখোয়গী দাইতাশিংদগী লৈথোক্তুনা চেন্নবা হোৎনরে হায়না পনখি।

ৱারসিপশিং হোনখি

তাইপৈ, সেপ্তেম্বর ২২ঃ

য়ু এস দিস্ত্রোইয়র অমদি কনদিয়ান ফ্রিগেদ অমনা তাইৱান স্ত্রেততা উহন্নবা খ্বাইদগী নৌবা জোইন্ট ওপরেসন অমা পাংথোক্তুনা রুট অদু ইন্টরনেস্নেলগী ওইবা ৱাটর ৱে নহায়বা ৱাফম ফোংদোক্লবা থৌরাং চথখি হায়রি। হায়রিবা থৌরাং অদুবু বৈজিংনদি মখোয়গী লমগী ঙমখৈদা চংশিল্লকপনি হায়না লৌরি। চাইনাগী মীৎয়েংদগী তাইৱান অমসুং ইথৎ লৈবাক অদুবু ময়োল লম চাইবু খায়দোক্লরিবা ঈশিংগী বোদি অদু মখোয়গীনি হায়না লৈরি। তাইৱান ষ্টেট হায়বসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চিনবা সিপ্পিং চেন্নেলশিংগী মরক্তা অমনি। য়ুনাইতেদ ষ্টেটসনা মতম কয়াগী মমাংদগী ফ্রিদম ওফ নেভিগেসন শিজিন্নদুনা তাইৱান স্ত্রেততা লান্দুনা সিপশিং নত্রগা লানগী কেরিয়ারশিং পুদুনা হোনখিবনি।

গ্যাসকী পাউ

MISAO GAS SERVICE (Home Delivery Only)
Bk: **Uptodate** (14.2 kg & 19 kg available)
Contact No. **7085738631, 8119967523**
Call timing (8.00 a.m. to 2.00 p.m.)

KHUMBONG INDANE
Bk/ Upto: **1/9/22**
OFFICE NO. 8794313865
whatsapp No 9366981788 (7.30 a.m. to 10.30 a.m.)

KHORIPHABA GAS, Nambol (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **uptodate**
Home delivery Contact No. **9366471778, 8837349474, 8787632782**
For Enquiry 9612337528 (8.00 a.m. to 12 Noon)

R & H INDANE
Stk : 306
Bk: **22/7/22** V/f **7/7/22** (8 a.m. to 12 noon)
(Home Delivery on 2 January) OFFICE NO. 9366013547, 8414824977, 8413936705 & **8132036940**

K & K INDANE,
Tera bazar
Bk: **uptodate**
20 days gap from last delivery
Gas booking counter open at Tera Bazar office (8.00 a.m to 12 noon.)
Uripok, Thangmeiband, Langol (**9362663937**)
Sagolband & Surrounding **(8627912279, 93667227636, 9089519886)**
Langjing & Patsoi (**9366474013**)
Konthoujam A/C, Lamsang A/C (9863201839, 6009291975)
For Inquary & others (8258019383,

LEIBAKLEI GAS,
Kakching (Home Delivery Only) **Stk : 612**
Bk: **21/9/22** V/f **14/9/22** (7.00 a.m. to 10.00 a.m.)
Contact No. **9862836403, 8415050488**

রসিয়াগী লান্দানা দোল্লর ত্রিলিয়ন অমা মাংহনখি

ফ্রেঙ্ক ফোর্দ, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ

রসিয়ানা য়ুক্রেন্দা লান্দারকপদা দোল্লর ত্রিল্লিয়ন অমা অমাং অতা থোকহনখি হায়না কেবকী গভর্নমেন্ট ওফিসেল অমনা ঙসি ফোংদোরক্লি। লান অদুনা লৈবাক অদুগী শেনমিৎলোন্দা চাওনা মাং তাকহল্লে হায়রি। হকথেংননা অমদি নাকোয়নবা মওংদা অমাং অতা থোকহনবদা য়ুক্রেন্না মাংখিবসি দোল্লর ত্রিল্লিয়ন অমরোমগী ময়াদনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট ৱ্লোদিমির জেলেন্সকিগী ইকনমিক এদভাইজর ওলেগ য়ুসতেনকোনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মাংখিবা শেনফম অদু য়ুক্রেনগী চহীগী ওইবা জিদিপি গী চাংদগী শরুক ৫ রোম ওইগনি হায়রি।

ৱাফম অসি য়ুস্তেনকোনা জর্মন কাউন্সিল ওন ফোরেন রিলেসন্সনা বার্লিন্দা পাংথোকপা থৌরম অমদা হায়খিবনি। ওফিসেল ওইনা মমাংদা পান্নখিবদা লান্দারকখিবা রুসিয়ানফোর্সশিংনা লানগী অহানবা চয়োল অনিদা মাং তাকহনখিবসি দোল্লর বিল্লিয়ন ১০০ রোম্নি হায়রি। লান্না মরম ওইদুনা মীয়ামগী ফাইনান্সিংদা শআথিনা অকায়বা পীখিবগা লোয়ননা মাং তাকহনবা অমদি লাঞ্জেন্নবা কয়াসু থোক্লি।

লল্লোন ইতিক তৌবা কয়া মাং তা নত্রগা নোংমগী মনুংদা পুং খরাতক থবক তৌহনখি। মসিনা তাকপদি মমাংদা লৈরম্না বজেটতগী হেন্না তাথবা মওংদা লাক্লগনি। গভর্নমেন্টকী চাদিং অকনবা মওংদা ককথরবসু য়ুক্রেনিয়ান গভর্নমেন্টনা লান হৌরকপদগী পারগা থাদা য়ুরোজ বিল্লিয়ন ৫ গী দিফিজিত তাখি হায়রি। কুম ২০২৩ দা কেবনা য়ুরোস বিল্লিয়ন ৩.৫ কী গেব অমা মায়োক্লগনি।

য়ুক্রেনগী মপাং ওইবা লৈবাকশিংনা মতেং কয়া পাংদুনা লৈবাক অদুগী দিফিজিট তারিবা শেনফম অদু কোকহন্নবা হোৎনরবসু ৱার্ল্ড বেঙ্ক য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং জি ৭ লৈবাকসিংনা কেস ওইনা বিল্লিয়ন কয়া পীগনি হায়বগী ৱাফম ফোংদোকপা লৈখ্রবনি। য়ুক্রেনিয়ান গভর্নমেন্টনা চহী অসিগী ওইনা ইকনোমিগী মাংজবসি চাদা ৩৫ গী চাং ওইরম্বদু ৪০ দা লৈরগনি হায়রি। মসি কুম ১৯৯১ দগী পারগা খ্বাইদগী নেম্বা জি দি পি ওইগনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়া ব্রাজিল অমসুং সাউথ অফ্রিকানা পুন্না হৌজিক য়ুক্রেন্দা চথরিবালান অমসুং হ্যুমেনিটেরিয়ান ক্রাইসিসকী মতাংদা কে হেন্না নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে। মখোয়না অথুবা মতমদা লান লেপ্পুনা দিপ্লোমেসিগী মরমদা লাক্লবা ৱাফম ফোংদোকখি। ফেব্রুৱারি ২৪ দা রুসিয়ান প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুতিন্না য়ুক্রেন্দা অখিন্দনা মিলিটরি ওপরেসন অমা লাওথোকখি। হীরম অদুগী মতাংদা লৈবাক অহুম্না পুন্না পাউজেল পীরকখিবা অসি ১০ শুবা ইন্দিয়া–ব্রাজিল–সাউথ অফ্রিকা (ইপসা)গী মিনিষ্টিরিয়েল কম্মিসন মীফম অমদা ফোংদোক্লখিবনি।

খৃষ্টিয়ান মীওই কাংলুপ অমনা মীহাৎপনি হায়বা পাষ্টর থাদোরক্লবা দিমান্দ তৌরি

লখিম্পুর, সেপ্তেম্বর ২২ঃ

অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা চর্চ কয়াগী মখাদা লৈবা খৃষ্টিয়ান কাংলুপকী মীওই কয়ানা ঙসি দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিসতা থোমজিন্দুনা লোকেল পাস্তর অমা অমসুং মহাক্কী এসিসতেন্ট ফাখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে। পাষ্টর অদুগা মহাক্কী তেংবাং মী ওদুগা ফাখিবসি হিন্দু লাইনিং চৎপা ত্রাইবেল নহা অমনা মশামক খৃষ্টান ওল্লু য়াদনা খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা নুপী অমা লুহোংনবা হোৎনরুবদগী হাৎখিবনি হায়বগী মরালদনি।

খৃষ্টিয়ান কাংবু অদুনা জি ই এল লুথেরান চর্চকী স্মাইল সাবর চহী ৪৪, গোসেন্নর ইভানজেলিকেল লুথেরন চর্চকী পাস্তর অমসুং মহাক্কী এসিসতেন্ট নিরঞ্জন অয়ানবু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি। মীওই অনি অদুনা লোকেলগী খৃষ্টিয়ান কাংবু অমদা ইনশিন্দুনা বিক্কি লিসাল কৌবা অমগী ময়ুমদা এটেক্ট তৌনবা হায়খি। মহাকপু ময়ুমদগী চীংথোক্তুনা খৃষ্টিয়ান ওল্লু হায়বা য়াদবদগী মহাকপু হাৎলগা উ অমদা য়ান্দুনা থল্লমখি হায়রি। থৌদোক অদু অসামগী কোইলামরি বালিজান্দা লৈবা চা ভগান অমদা থোকখিবনি। বিসালগী মশা অদু উ অমদা য়াল্লম্বা থেংনরকখিবা অসি সেপ্তেম্বর ১২ দা মীওই কয়ান ।এটেক্ট চথখ্রবা মতুংদনি।

নাকল অমরোমদা প্রোতেষ্ট চথখিবা খৃষ্টিয়ান লাইনিং চথখিবা অদুনা মরাল শিখিবদিপাষ্টর অদুগী মথক্তা অরানবা মরাল শিজিন্নবনি মদুনা খৃষ্টিয়ান মিসিনরিশিংবু ফত্তবা মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবনি হায়খি। নাকল অমরোমদা লিগেল রাইটস ওবজার্বেটরি (এল আর ও) কৌবা হ্যুমেন রাইটস লুপ অমনা থৌদোক অদু মীয়ামদা খংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয়না প্রোটেষ্ট অমা চথদুনা গভর্নমেন্টনা অরানবা থৌওং শিজিন্নে হায়বা উৎননবা লিরবা লাংলৌ অমা শিজিন্নবনি হায়রি। লুপ অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা কাংবু শিংবু পুনশিন্দুনা লখিম্পুর পুলিসনা খৃষ্টিয়ানশিংবু ইকায়বা পীরিবদু থেংননবা পাউজেল পীখি। হীরম অদুগী মতাংদা লখিম্পুরগী সুপরিনতেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা ফোংদোকখিবদা পাষ্টর অদুগী মথক্তা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথরি অমদি মহাকপু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরকপা অসি ৱাখল য়াওদবনি। খৃষ্টিয়ান মিসিনরিশিংনা অধু লাইনিংগী ইশু অমা ওইহল্লোইদবমি। মদুগী মহুত্তা মখোয়না খংগদবদি পাষ্টর অদু ক্রিমিনেলগী ওইবা থৌওংশিংদা চেন্নে হায়বসি খংদবনি হায়না পুলিস ওফিসেল অদুনা ফোংদোকখি। মহাক্লা মখা তাখিবদা ফারবা মীওই ৪ পাশ্তর অমসুং মাগী এসিসতেন্ট নুপীগী অদুগী মপা অমসুং মখুরা য়াওনা পুলিস রিমান্দা থমদুনা এফ আই আর দা সেক্সন ২ হেন্না হাপচিনখ্রে হায়রি।

অরোমদা থৌদোক অদুদা শিখিবা বিকি বিসাল অমসুং মাগা খংনবা নুপী অদু নুংশিন্নদুনা লুহোংবা পামখি। নুপী অদুনা বিক্কিগী ময়ুমদা ফাওবা চংদুনা লৈখি। মতুংদা লোকেল চর্চকী য়াল্লবা লোকেল চর্চকী মীওই কয়া পুশিনলগালাক্লগা বিক্কিগী ময়ুমদা লাক্লবা মীওইশিং অদুনা পুরগা বিক্কিদা খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎলু নত্রগা নুপী অদুগা মরি লৈন্নবা য়ারোই হায়না কিহল্লমখি।

লৌশাল লৌগনু, ইশিং ফংহল্লু

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

মণিপুর লৌমী লুপ্পা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ব্বুর ফুত্তিংদা ইশিং ফংনবা হোৎনৌ, লৌশাল লৌগনু হায়রি। কুমগী নোং ফজনা তাদুনা লৌফমশিং ৱানা হোৎনদুনা লৌ উন্নরবা মতুংদা হার ফংদবদগী অৰাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখ্রবা মতুংদা হৌজিক অমুক নোং তারকতবনা চাথোক লৈবা লৌফম অয়াম্বা লৈক্রক চৎপা য়াওরকপদগী ফৌ শাৎপা ঙম্লোইদবা ফিভম অমা উবা ফংলকপা অসিনা নৌনা ফৌ মরাং কায়না পুথোকপা ঙল্লরোই।

ৱানা উন্নরিবা লৌফমশিং শাৎপা ঙমদদুনা লৌ লোক্লোইদবগী, ফৌথোক ৱাৎনা লোক্লবগী ফিভমদা লাক্লে। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা তঙাই ফদনা লোকেল এম এল এ গী লোকলে এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী মাগী মাগী এরিয়াদা ইশিং ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু। মাগী এরিয়াদু আর এল আই শিং মথৌ তৌদনা ঈশিং ফংনবা শিনবা অমসুং তঙাই ফদবা লৈবা মচাকশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎনবা মণিপুর লৌমীলুপ্পা দিমান্দ তৌরি। লোয়ননা ফৌথোক ৱাৎকদবা লৌফমগী লৌপুশিংনা লৌশাল লৌবা তোকউ অমদি ইকংনা শোকহল্লবা লৌফমশিংগী পীবা য়াবা কম্পেনসেসন পীনবা মণিপুর লৌমীলুপ্পা মরি লৈন্নবশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লি হায়না মণিপুর লৌমীলুপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবি সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

মশা নারবা লালহৌবা অমদা তেংবাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

আই জি এ আর সাউথকী মখাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কৈথেল মানবী বট্টালিয়ন্না মশা নাবদগী ফমুংদা তাদুনা লৈরবা লালহৌবা অমদা মেডিকেলগী তেংবাং পীখ্রে। হায়রিবা মীওই অদু থৌবাল দিস্ত্রিক্কী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মীওই অমদনি। মেডিকেলগী ওইবা তেংবাং পীদুনা মহাকপু মতম চানা মতেং পাংখিবসি মনুং হঞ্জিনবা এরিয়াদা লৈবা অমসুং মেডিকেলগী ফেসিলিটিশিং ৱাৎপা য়েংলগনি। অসাম রাইফলসকী থৌওং অদুনা লালহৌবা এক্তিব কাটর অমবু মতেং পাংখিবদু লোকেলগী মীওইশিংগা লোয়ননা অঁফবা মরি অমা থম্লবনি। এ আর না লোকেলগী মীয়ামশিংদা মখোয়দা অথুবা মেডিকেলগী খুদোংচাবশিং ফংগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

নাকল অমরোমদা মন্ত্রি পুখ্রি বট্টালিয়ন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিস্ত্রিক্কী তেজপুরদা লৈবা চীঙারেলগী লৈশেম্বা মহৈকোল স্কুলদা স্বাসতা অভিয়ান থৌরম অমা ঙসি পাংথোকখ্রে। স্বাসতা অভিয়ানগী পান্দমদি লু নানবগী মরু ওইবনা হকশেল ফনা লৈবা হাইজিন অমদি হাইজিন হায়বসি ঐখোয় খক্তগী নত্তনা য়ুমশিং অমদি অকোয়বা মফমশিংদা ঙাক্লা থন্বগী তঙাই ফদবা লৈ খংহন্নবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লেকচর অমসু পাংথোক্তুনা মহৈরোয় খুদিংমক্তা কান্নবা পীদুনা দন্তবিন শিজিন্নবা অমদি অকংবা অমসুং অচোৎপা ৱেষ্টশিং তোখায়না থম্বা বাওইদিগ্রেদেবেল অমদি নন – বাইও দিগ্রেদেবল ৱেষ্টশিং মফম চানা থমদুনা লু নানবা হেলথি ওইবা ইকোসিস্তেম অমা লৈহন্নবনি হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মিনাক্সি লেখিনা মম্তা বেনরজিদা টার্গেট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিদা টার্গেট তৌরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মিনাক্সি লেখিনা ঙসি ফোংদোকখিবদা দ্রুগা পুজা অমসু মুর্তি ইশিংদা থাদবদা অথিংবা থমখ্রবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমনা, দুর্গা পুজাবু য়ুনেস্কোগী ইনতেঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী লিষ্টা য়াওবগী ক্রেদিত লৌথিবা অসি অঙকপনি হায়খি।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা মানা পনখিবদি মিনিস্ত্রি ওফ কলচরনা য়ুনাইতেদ নেসন্স ইডুকেস্নেল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো)দা গুজরাটকী গরবা দান্স পু লিষ্টতা য়াওহন্নবা হোৎনখি। থা অসিগী অঙনবা শঁরুক্তা মমতা বেনরজিনা রেল্লি অমা লুচিংলদুনা কোলকটাদা পাংথোকপা দুর্গা পুজাবু য়ুনেস্কোগী ইন্তেজিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিটিগী লিষ্টা য়াওরকপগী নুঙাইবা ফোংদোকখি। ৱেষ্ট মিনিষ্টরগী মহাক্কী ৱাথোক ওইরবা এদভাইজরশিংগী পাউতাক লৌবাদা মথৌ য়াম্না চীল্লমগী নহায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর কলচর লেখিনা ফোংদোকখি। মহাক্লা মখা তাখিবদা কলচরেল মিনিস্ত্রিনা দুর্গা পুজাবু য়ুনেস্কোগী লিষ্টা য়াওহন্নবা কুম ২০১৯ দা প্রপোজেল অমা থারগা কুম ২০২১ গী দিসেম্বর থাদা অয়াবা পীরকখি। মদুগী ক্রেদিট খুদিংমক মমতা বেনরজিনা লৌনবা হোৎনরকপা অসি অঙকপনি হায়খি।

সেপ্তেম্বর ২৩ দা পাংথোক্কনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

দিস্ত্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন তেংনৌপলনা অহুমশুবা দিস্ত্রিক্ট হিল লিদর্স ডে অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ সেপ্তেম্বর ২৩ দা দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা অয়ুক পুং ১০ তাবদগী নুংথিল পুং ৩ তাবা ফাওবদা পাংথোক্কনি। দিস্ত্রিক্ট অদুগী মীয়াম অমসুং লুচিংবশিংনা থৌরম অদু য়াওদুনা প্রধান মন্ত্রি উজালা য়োজনা, অয়ুসমান ভারত য়োজনা, পেন্সন স্কিমস, অধার কার্দ, সি এম ঐচ টিনচিংবগী কান্নবা ফংনবা খংহল্লে। অমদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খংবা ঙমগনি হায়রি। মখা তানা তোঙান তোঙানবা দিপার্টকী ষ্টাফ অমদি দিস্ত্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংনা মীয়ামবু তেংবাংনবা তঙাই ফদবশিং খংহন্নবা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

চিফ মিনিষ্টরবু ইকায় খুম্নবা উৎলি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

উত্রা শঙলেন, সনা কোনুংদা থাদোরকপা চেরোল অমদা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু ইকায় খুম্নবা উৎলক্লি।

মতু শোনবা, লমজিংবীনবা ৱাৎলবা লমদম অসিগী য়েলহৌমী মীশিং লিক্লবা সনামহি লাইনিংবা মশক খংদুনা তোঙানবা কোদ নম্বর অমা পীনবা চপ চাবা অচুম্বা মশক অদু খংদুনা লমদম অসিগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা মণিপুর ষ্টেট কেবিনেটনা সনামহি লাইনিংবু মাইনোরিটি ওইনা খংনবা ইন্দিয়া লৈঁঙাক্তা রিকমেন্দ তৌখ্রে। মসিগীদমক উত্রা শঙলেন, সনাকোনুংগী মাইচৌ লোয়শঙ, মাইবা লোয়শঙ, পেনা লোয়শঙ অমদি অমাইবী লোয়শঙশিং, নিংথৌ কোংবা ১০ গা লোয়ননা সি এম বু ইকায় খুম্নবা উৎলক্লি।

২৫ শুবা চার্টর নাইট পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবাল লীংখৎতুনা মীয়ামগীদমক হ্যুমেনিটেরিয়ান সার্ভিস তৌরকপা চহী ২৫ মপুং ফারকপগা লোয়ননা ক্লব অসিগী ২৫ শুবা চার্টর নাইট সেলেব্রেসনগী থৌরম ঙসি ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালদা লাইওন্স সার্ভিস সেন্টরদা পাংথোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা দিস্ত্রিক্ট–৩২২ দি গী দিস্ত্রিক্ট গভর্নরগী ওভিসেল ভিজিতেসনগী থৌরমসু পাংথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দিস্ত্রিক্ট গর্ভনর দাইজং মেম্বরশিংবু থৌবাল খুদোল তমদুনা তরাম্না ওখখি। লোয়ননা চহীগী ওইঅবা রেপিারক ক্ল ব সেক্রেটরি এনা ওইকখি। তরাম্না অমদি চারতর মেম্ ক্লবকী টিমর্মশিং খুদোল তম্বনা মপু ওইবা থৌরম ওইখি। মালেমগী লৈবাক ২০০ হেনবনা ক্লব অসিগী ব্রাঞ্চ লৈদুনা লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেস্নেলনা খ্বাইধগী চাওবা ক্লব অমা ওইরকগী ৱারী অখন্নবা মীথুংশিংনা মীয়ামদা থমখি।

ব্রাউন সুগর ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবীদা লৈবা ২০ শুবা অসাম রাইফলসকী চেক পোষ্টতা মহৌশাগুম মোরে রোমদগী থোরকপা গারিশিং চেক তৌরিঙৈদা চীংননিঙাই ওইবা মওংদা অঙাংবা মচুগী মারুটি ভেন অমা লাকখি। ভেন অদু এ আর পার্সোনেলশিংনা চেক তৌবদা ব্রাউন সুগর সোকেস ৪ ৪দা য়াওরম্বা থেংনখি।

হায়রিবা সোফশিং অদু য়াওনা ওনবদা পুন্না কে জি ১.৮২০ রোম্নি হায়রি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৩.৩৪ রোম ওইগনি। দ্রগশিং অদু পুদুনা থৌরকপা মারুটি ভেন দ্রাইভর অদু চেক তৌরিঙৈদা টোইলেট চংলুগে হায়দুনা নাম্থোক্তুনা নেচখ্রে। মখাদা আইনগী ইওবা থবক লৌখৎনবা মোরে পুলিস স্তেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ ঃ

ঙরাং জিরিবামগী কাসিমপুরদা লৈবা এম দি মাতাবুর রহেম্মন কৌবা নুপা অদুগী চহী ৮ লোমতা ঙায়রিবী মচানুপী অমা শিনা ফংখিবা অদুগী মতাংদা জিরিবাম পুলিসনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌদুনা মখা তাবা কেস মখা চথবা হৌখ্রে। লোয়ননা এস দি সি অমনা মেজিস্ত্রেল ইঙ্কারি তৌদুনা লৈখিদ্রবী নুপী মচা অদুগী পোষ্ট মোর্টেমগী ভিদিও কভরেজকী ভিদিও কভরেজনা থিজিন্নবা শিন্নখ্রে হায়রি। ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা নুপী মচা অদু মফম খংদনা মাংখিবনি হায়রি। তুংদা লৈকায়গী মীয়াম্না থিবদা নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা কাসিমপুর খুলগী মফমদা অমদা শিদুনা লৈরম্বদগী জিরি পুলিসতা পাউ পীখি।